# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 22-05-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী আইন্না য়াদবা লালহৌবশিং অমসুং খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎপা লেপত্রি।

২) জষ্টিস কেমপাই সমাসেখর ঙসি হায় কোর্ট ওফ মনিপুরগী অনৌবা চীফ জষ্টিস ওইনা ব্রাশক লৌরগনি।

অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি রাজস্থানগী বিকানেরদা লুপা কোতি লিশিং ২৬ হেন্না চংগদবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট কয়া জাতিগী মীয়ামদা কৎথোক্লগনি খরগীনা যাত্রা হুনগনি।

------

পুলিস (এল) ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা চীং অমসুং তম্পাক্কী চিংনবা মফম কয়াদা এরিয়া দোমিনেসন অমসুং থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চখৈরি।

রাজ্য পুলিসকী কন্ট্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- অককবা পাউশিংদা যুম্ফম ওইদুনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চখবদা আইন্না য়াদবা লালহৌবশিং অমসুং খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুমসু ফাগৎলে।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসনগী মখাদা লৈবা পল অহনবী কাঞ্চিপুরদগী ঙরাং আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অনি সেক্যুরিতি ফোর্সনা

ফারে। মখোয় অনিমক মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইশিংনি হায়রি। মখোয়দগী মেগজিন অহুমগা কোন্ননা নাইন এম.এম করবাইন মেছিনগন অমা, এ.কে. রাইফলসকী নোংমৈ মরু ২৪, থ্রি নোট থ্রি এল.এম.জিগী মেগজিন অমা, পোইন্ট টু টু রাইফলগী নোংমৈ মরু ১৬, পোইন্ট টু টু পিষ্টোলগী নোংমৈ মরু ৮, দিতোনেতর ৭ অমসুং মোবাইল হেন্দসেট অমা ফংলে হায়রি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কোইরেঙ্গৈ বজারদগী প্রিপাক্কী মীওই অমসু ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে। মঙোনদগী মেগজিন য়াওবা সভেন পোইন্ট সিক্স টুগী স্নাইপ্পর রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা, নোংমৈ মরু ৫ অমসুং চাকা মরি পানবা গাড়ি অমা ফংলে হায়রি।

থৌবাল জিলাগী খাঙবোক শোরোক ৱাংমদগী ঙরাং আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অমসু ফারে। মঙোনদগী মোবাইল ফোন অমা ফংলে।

ককচিং জিলাগী ককচিং তেজপুর ক্রোসিংদগী কে.ৱাই.কে.এল (সোরেপা)গী মীওই অনি ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কাইরং চীংয়া মমাং লৈকাইদগী কে.সি.পি (এম.এফ.এম)গী মীওই অনিসু ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফাখি। মখোয়দগী মোবাই ফোন অনি অমসুং চাকা অনি পানবা গাড়ি অমা ফাগৎলে।

অমরোমদা, রাজ্য পুলিসনা অখন্নবা দ্রাইভ চখদুনা গাড়িদা টিন্তেদ গ্লাস অমদি ব্লেক ফিলম নপ্পশিং লৌথোকপগী থবক মখা তানা চখরি। ঙরাং অমসুং নহাল তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী পুন্না গাড়ি ৬০ দগী ব্লেক ফিলমশিং লৌথোকখি হায়রি।

জষ্টিস ঃ জষ্টিস কেমপাই সমাসেখর ঙসি হায় কোর্ট ওফ মনিপুরগী অনৌবা চীফ জষ্টিস ওইনা ৱাশক লৌরগনি। ৱাশক লৌবগী থৌরম অয়ুক পুং ১০ মখায়দা ইম্ফালগী রাজ ভবনদা পাঙথোক্কনি। মহাকপু রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা থবক পায়বগী ৱাশক লৌগনি।

হায় কোর্ট ওফ মনিপুরগী চীফ জষ্টিস-জষ্টিস-দি.কৃষ্ণকুমারগী থবক পায়বগী মতম ঙরাং লোইখ্রে।

এময়ু (এল) ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী মখাদা পাঙথোকপা পরিক্ষাশিংগী ঙসি অমসুং হয়েং থোকপা সবজেক্টশিংগী পরিক্ষা য়েথোক্লে হায়রি। য়ুনিভর্সিতি অসিগী কন্ট্রোল্লর ওফ একজামিনেসন্না থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-হায়রিবা নুমিৎশিং অসিগী পরিক্ষাগী মতম নৌনা লেপ্লবা মতুংদা খঙহল্লক্কনি।

ব্লড (এল) ঃ চহি অসিগী খোংজোম নুমিৎ পালনগা মরী লৈননা খোংজোম ৱার মেমোরিয়েল কমপ্লেক্সতা ঈ দান তৌবগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা ব্লড দোনরশিংদা সার্তিফিকেট অমসুং দোনর কার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম ঙরাং থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

এসোসিয়েসন ওফ ভোলুন্তরি ব্লড দোনর মণিপুর থৌবাল ব্রাঞ্চ অমসুং ব্লড ত্রান্সফ্যুজন য়ুনিত থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালনা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা পুন্না ঈ দান তৌখিবা মীওই ৩৩ দা দোনর কার্দ অমসুং সার্তিফিকেটশিং য়েন্থোকখি। থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল থৌবালগী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট দব্লিউ. রোহিনিকুমার শরুক য়াখি।

বন্দ (এল) ঃ শিরুই লিলি ফেষ্টিভেল হৌদোকপা নুমিৎকী পাউ লৌবা চৎপা পাউমীশিংনা তোংবা মণিপুর ষ্টেট ত্রান্সপোর্টকী বসতা মণিপুর থারিবা অদু য়ারোই হায়না ইম্ফাল ইষ্টকী গ্বালতাবীদা মথৌ তৌরম্বা মহা রেজিমেন্টকী কাংবুনা চথুরকখিবা থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা কোওর্দিনেতিং কমিতি ওন মণিপুর ইন্তিগ্রিতি (কোকোমি)না কৌখিবা পুং ৪৮ গী জেনেরেল ষ্ট্রাইক হৌখিবা অহিং নোংয়াইদগী হৌখ্রে। জেনেরেল ষ্ট্রাইক অসিনা মরম ওইদুনা ইম্ফালদা কৈথেল অমদি দুকানশিং হাংনদ্রে। লম্বীদা পেসেঞ্জর গাড়িশিং চেন্নদ্রে। তম্পাক্কী অতে জিলাশিংদসু জেনেরেল ষ্ট্রাইক অসিগী মমি চাউনা তারি। মফম

কয়াদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা পামদবা থৌদোকশিং থোরকপা থিংনবা মীকুপ নাহুম শিংনা চেকশিন্না ঙাক শেল্লি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা জেনেরেল ষ্ট্রাইক অসিগা মরী লৈননা পামদবা থৌদোকশিং থোকপগী পাউ লৈত্রি।

ৱেদর (এল) ঃ সেনাপতি জিলাদা ঙরাং মিলিমিতর ৭.১ গী চাং য়ৌনা নোং চুখি। নোনে জিলাদনা মিলিমিতর ৪.৮ গী চাংদা নোং চুখি।

রাজ্যগী ইনভাইরোনমেন্ট ক্লাইমেত চেঞ্জ দাইরেক্তোরেটকী ৱেদর রিপোর্টতা হায়- ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ককচিংদা ঙরাং মিলিমিতর ০.২ গী চাংদা নোং চুখি। নোং খরা খরা চুবা অসিনা শাবগা চাং হন্থহল্লে। ককচিং জিলাদা ঙরাং শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ২৯.৩৪ ওইখি। বিষ্ণুপুরদা সেলসিয়স দিগ্রি ২৭.১৫ য়ৌনা শাখি। ইম্ফাল ইষ্টতা সেলসিয়স দিগ্রি ২৬ কী মথক্তা শাখি। নোনে অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টতনা সেলসিয়স দিগ্রি ২৫ গী মথক্তা শাখি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি রাজস্থানগী বিকানেরদা লুপা কোতি লিশিং ২৬ হেন্না চংগদবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট কয়া জাতিগী মীয়ামদা কৎথোক্লগনি খরগীনা যাত্রা হুনগনি।

প্রোজেক্টশিং অসিগী মনুংদা রেলৱে, মৈ, ঈশিং অমসুং লন্বী থোংশিং শেমগৎ শাগৎ শাগৎনপনচিংবা য়াওরি। প্রধান মন্ত্রিনা ঙসি লৈবাক অসিগী রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি ১৮ গী জিলা ৮৬ তা মতমগা চুননা শেমগৎলবা রেলৱেজগী অমৃট ভারত ষ্টেসন ১০৩ শঙ্গাদুনা জাতিগী মীয়ামদা কৎথোক্কনি। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়- ঙসি শঙ্গাগদৌরিবা অমৃট ষ্টেসনশিং অসিনা লৈবাক অসিগী রেলৱে ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা শিংথানিঙাই ওইনা অহোংবা পুরক্কুনা চৎথোক চৎশিনগী ফিভম হেন্নাা ফগৎহনবা অমসুং লৈবাক অসিগী ইনাক খুল্লবা কলা সংস্কৃতিবু হেন্না য়োকখৎপদা চাডনা মতেং ওইরগনি।

বিকানের-মুম্বাই এক্সপ্রেস রেলগাড়িসু প্রধান মন্ত্রিনা ঙসি লমথাদুনা হৌদোক্কনি।

পাকিস্তান ঃ নিউ দিল্লিদা লৈবা পাকিস্তান হাই কম্মিসনদা মথৌ তৌরম্বা পাকিস্তানগী ওফিসিয়েল ১ পুং ২৪ গী মনুংদা লৈবাক অসি থাদোক্তুনা চৎখিনবা ভারতনা খঙহনখ্রে।

মপান থৌরম মন্ত্রালয়না হায়- মীওই অদুনা মহাকা পায়রিবা ফম অদুগা মরী লৈনদবা থবকশিং চথুরম্বগীদমক মহাকপু ভারত থাদোক্তুনা চৎখিনবা খঙহনখিবনি। পাকিস্তান হাই কম্মিসনদা লৈরিবা পাকিস্তানগী দিপ্লোমেট নত্রগা ওফিসিয়েল অমত্তনা মখোয়না পায়রিবা ফম অমদি থাকপু লান্না শিজিন্নদুনা লৈবাক অসিগী মায়োক্তা থবক তৌবা য়ারোই হায়নসু ভারতনা অকনবা ৱাফম ফোংদোকখ্রে।

এআই ঃ কেন্দ্রগী ইকোনোমিক্স এন্দ আই.টি মন্ত্রি অস্বিনি বৈষ্ণোনা হায়রি- আর্তিফিসিয়েল ইন্তেলিজেন্স (এ.আই)গী লমদা ভারতনা লৌখৎলক্লিবা থবকশিং মালেমগী মীয়ামা য়েংনরক্লি। মিদিয়া হাউস অমদা পীবা ইন্তরভিউ অমদা শ্রী বৈষ্ণোনা হায়- মালেমগী ওইনা এ.আইগী লমদা শিংথানিঙাই ওইবা লৈবাক মঙাগী মনুং চনবা ঙমবা ভারতনা কন্না হোৎনরি। এ.আইবু অশোই অঙাম থোক্লোইদবা মওংদা শিজিন্নবা য়ানবা অনৌবা টেকোলোজিশিং পুথোকবা টিম অমা শেল্লে। সরকারনা এ.আইবু হেলথ কেয়ার, এগ্রিকলচর, ক্লাইমেত অমসুং ইজ্‌কেসন্নচিংবা লমশিংদা মালেমগী মপাং লৈবাকশিংগা চুংশিন্নদুনা শিজিন্ননবা থৌরাং তৌরি।

হেলথ ঃ জেনেভাদা ঙরাং পাঙথোকখিবা ৭৮ শুবা ৱার্ল্ড হেলথ এসেমব্লিদা ভারতনা মালেমগী ওইনা হকশেলগী থাক মান্ননা লৈহন্নবা ৱাফম অমুক হন্না ফোংদোকখ্রে। মীফম অদুগী প্লেনারি সেসনদা ৱা ঙাংবদা কেন্দ্রগী হেলথ সেক্রেটরি পুনয়া সালিলা শ্রীভাস্তবানা হায়- ভারত্তসু আয়ুসমান ভারতকুম্বা

অখন্নবা থৌশিল থৌরাংশিং পায়খৎতুনা মীয়াম্বু মশা মউ ফনা থমবা লেপ্তুনা হোৎনরি। থৌশিল অসিগী মখাদা লাইরবা মীয়ামদা অনা লায়েংগী খুদোংচাবা নিংথিনা ফংহন্নবা, অনা লায়েংগা মরী লৈনবা মচাক মথুমশিং শেমগৎনবা অমদি দিজিতেল হেলথ এদোপসন চৎনহন্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি। লৈবাক অিসদা মেন্টেল হেলথ, ফেমিলি প্লান্নিং, অমসুং অঙাং শিবগী চাং হন্থহন্নবা য়ুনাইতেদ নেসন্স পোপুলেসন ফন্দ অমসুং য়ু.এন. ইন্তর এজেন্সি গ্রুপনচিংবগী মখাদা অখন্নবা থৌরাং কয়াসু পায়খৎলি হায়না হেলথ সেক্রেতরিনা মখা তানা ফোংদোকখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

পাউমীশিংনা শিন্থা লেপখিবনা মরম ওইরগা ঙসি ইম্ফালদা ফোংবা পাউচেশিং অমত্তা ফোংনখিদ্রে। অদুমওইনমক, তমেংলোংদা ফোংবা পাউচে গানফিউ মেলদা পাউমীশিংদা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিন্নবা মণিপুর সরকারনা ওর্দর থোকখ্রে হায়বা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিদা মণিপুরগী ইরাংগী মতাংদা থিজিল্লিবা কম্মিসন ওফ ইনক্কারিনা মখোয়গী রিপোর্ট চহি অসিগী নবেম্বর ২০ ফাওবগী মনুংদা কেন্দ্র সরকারদা পীশিন্নবগী মতম শাংদোকখ্রে হায়বা পাউনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা উখ্রুল লম্বীদা পাডমীশিংদা চত্থখিবা থৌওং অদুবু য়ানিংদবা কোকোমিনা পুং ৪৮ গী জেনেরেল কৌখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিদা হিল পিপলস রাইট অমদি মখোয়গী পোত্থোক্কী প্রোটেক্সনগীদমক ঙরাং তমেংলোং জিলাদা মার্চ রেল্লি অমা জোইন্ট কোওর্দিনেতিং কমিতিনা তমেংলোংনা শিন্দুনা চৎখ্রে হায়বা পাউনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরে।

সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা মাও গেটতগী সেনাপতি পুলিস য়াওনা সেক্যুরিতি ফোর্সনা নার্কোটিক্স পোৎলম কয়া ফাগৎপা ঙমখ্রে

হায়বা পাউ অসি অহানবা হেদলাইন তৌরে।

ভারতকী হাইয়েষ্ট  লিটরেসি রেটকী টোপ টেন খনগৎপদা অৱাং নোংপোক ভারতকী রাজ্য মঙা য়াওরে হায়বসিনা পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

------